# মণিপুরদগী শাওলিন টেম্পলদা অহানবা ওইনা য়ৌরুবা মীতৈ মচাসি ঐহাক্না ওইরমগনি ঃ ক্ষেত্রিময়ূম জুগেশ্বর



মণিপুরী মচাশিংগী মনুংদগী মার্সেল আর্টসকী ওইবা মশান্নদা অচৌবা মফম কন্নবা হোৎনবা মীওই কয়া ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা লৈদুনা মীতৈ মচাশিংগী তোপ তোপ্পা হৈশিংবা কয়া উৎতুনা মালেমদা শক্তাক্ন বা অখাঙ কনবগা লোয়ননা লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা ক্ষেত্রিময়ূম জুগেশ্বরসু অমনি।

হন্দক্তা ওক্টোবর ১৬ তগী ২০ ফাওবা চিনাগী জেঙজৌ সিটিদা পাঙথোকখিবা ১১ শুবা জেঙজৌ চিনা ইন্টরনেসনল শাওলিন ৰুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা গ্রান্দ মাষ্টর জুগেশ্বর সিংহসু শরুক য়াখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা চহী ৩৫ দগীনা ৪০ ফাওবগী কাঙলুপ্তা মাষ্টর জুগেশ্বরনা ফ্রি হেন্দ ফোর্মদা সনাগী মেদল অদুগা ৰিপন ফোর্মদা সেঞ্জেংগী মেদল লৌরকখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারুবা জুগেশ্বরগা ঙসি অখন্ননা উনরুই। ৰুশুগী হৌরকফম শাওলিন টেম্পলদা য়ৌরুবা মণিপুরগী অহানবা মীশক অমা ওইনা নুংঙাইবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা মাষ্টর জুগেশ্বরনা অসুম্না পাউদম্লকখি, ঐহাক ইশামকসি মার্সেল আর্টসকী ওইবা মশান্নশিংদা অঙাং ওইরিঙৈদগী পামজনা শান্নরকখিবা মীশকনি।

ৰুশু, কুংফু, করাটে, থাঙ-তা থৱায় য়াওনা শান্নরকখি। ঐনা মশান্নসিদা খোঙদারকখিবা মতমদা ইহান হান্না ঐঙোন্দা তাকপী তন্বীরকখিবসি ককচীং ৱাইরিদা লৈবা ওজা জিতেননি। মথং মথং ওইনা মখা তারকপদদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মমিং লৈবা ওজা অমা ওইরিবা তান মিংনি হায়রিবা ওজাসিদগী তম্লকখি। হেন্না অহেনবা জ্ঞান তানশিন্নীংবদগী বৈজিংদা লৈবা হান শেঙ লেঙ হায়বা গ্রান্দ মাষ্টর অসিগী মখাদা অমুক ত্রেনিং তৌরকখি। হন্দক ঐনা চিনাদা শাওলিন চেম্পিয়নশিপ য়াওরুবদা খ্বাইদগী নুংঙাইরকপদি পুন্সিদা অমুক্তংদি য়ৌগে হায়দুনা চহী কয়া চঙনা নীংজরকপা মঙলান অমা থুংজবসিনি। মার্সেল আর্টস কয়াগী হৌরকফম ওইবদা নত্তনা ৰুশুগী হৌরকফম অমসু ওইরিবা শাওলিন টেম্পলদা খোঙদাজবা ফংজরকখিবা মিৎকুপ্তু য়াম্না নুংঙাইবা, নীংবা থুংবা অমা ওইখি। মদুনা পূক্লিংদা মঙাল অমা ফংবগুম খঞ্জখি। শাওলিন টেম্পল অসি চাইনিজশিংনা খ্বাইদগী শেংনা চেকশিন্না থম্বা মফম অমসু ওই। হায়রিবা টেম্পলদুদা য়ৌবা ঙম্বসি ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াগীদি মীওই মঙা শুরে হায়। মণিপুরদগীদি ঐহাক্না অহানবনি। ঐনা টেম্পলদুদা নুংঙাইনা ফ্রিদা চঙবা ঙমখিবসিগী অচৌবা মরম অমদি ঐখোয়না মোঙ্গোলোইদকী মশক মাল্লুবা অদুননি।

চেকশিনখ্রবা মফমদুদা ঐহাক্না মথং মথং চঙবা ফংখিবদুদা য়াম্না নুংঙাইবা অমসু পূক্লিংদা ফাওখি। শাওলিন টেম্পলদা চঙবা হায়বসি তরাই তরাইবা অমদি নত্তে। চেক য়াম্না কল্লি। মখোয়গী গভর্ণমেন্টনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্মী। মহৌশাগী অশেংবা শক্তমদা করিমত্তা য়েকশিনবা, তৈশিনবা য়াওদনা থায়নগী লৈরকপা অদুমক হান্নগী মওংদুদা লৈহল্লি। নেচরেল ব্যূটিদা থম্মী। শাওলিন টেম্পলদুগী ঐঙোন্দা য়াম্না এট্রেক্সন ওইখিবসি ফিট ২০ মুক ৱাংবা বুধগী মিত্তম অমা লৈরম্বদুনি। লাই খুরুম্বগী মওংদুসু লাইশঙদুবু ঙাক্লিবা লম্বোইবশিংদুদা ঐখোয়দা ফ্রিন্দা ধুপ পীরকখি। ইন্দিয়াদদি লুপা ৫০/১০০ থাদৌ হায়রক্কনি। ঐনা য়াম্না পূক্লিং পেঞ্জখিবসিদি, নোঙানবদা ঐগী ফ্রি হেন্দ ফোর্মগী কম্পিটিসন লৈ। বুধগী মিত্তমদুগী মমাঙদা লেপ্তুনা খুরুমজবা ফংবদা, ঐঙোন্দা হান্না লৈরম্বা টেন্সন পাখৎপা, থুক্কৎপা লোয়না মাঙখিবগুম তৌখি। ৱাখলসিদা মঙাল অমা ফংজবগুম্নসু খনখি। অদুনা নোঙাল্লগা শান্নবা মতমদসু গোল্ড লৌবা ঙমজখি। গৌতম বুধ লৈরিবা কাদুগী হেক মথংদদি ৱাই-ফাইগী অঙকপনা থল্লবা মৈঙাল, অতাঙবা থাঙ-তাগী পোৎলমশিং, মখোয়গী ট্রেদিসনগা মরী লৈনবা পোৎচঙ কয়া ফজনা থমদুনা অয়েংবশিং মিৎ থকহল্লি। -মথং-মথং

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

## ষ্টেট ওপন ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ ঃ মণিপুর ৱাটর পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ৩৬ শুবা ষ্টেট ওপন ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৬ হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী ১৩ ফাওবা কোংবদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ স্বিম্মিং পুলদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হয়েং অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এম ধনঞ্জয়, মণিপুর ৱাটর পোলো এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ খেলেন্দ্রো, ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কনষ্টিটুয়েন্সিগী হান্নগী এম এল এ টি ঐচ নন্দকিশ্বর, বি জে পি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্টগী থৌসু পুরিবা রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এ আর খান (আই এ এস) অমসুং বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান টি ঐচ ভুবোন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ওপন ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরম থা অসিগী ১৩ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা থোংজু কেন্দ্রগী এম এল এ টি ঐচ বিশ্বরজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

## মণিপুর মিনি বোইজ বোল্লিবোল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ ঃ

মৈধ্য প্রদেশকী মুরেনাদা লৈবা বি আর অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২০ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫ শুবা মিনি নেসনল বোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং খনখ্রে।

ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী সেলেক্সন কম্মিটিনা খল্লবা শান্নরোয়শিংদি বাখেদগী থৱাংখমপাও পানমৈ, আই জি ও ওইনামদগী এম দি সাকিল, এম এম নৱাজ, এস দল্লিয়ু ৱাই সীদগী এস ইনাওবা, ৱাই এম দি ওদগী ৱাই অর্বিন্দ, সেৱাদগী ঐচ রোমেসকুমার, এ ৱাই এস য়ুদগী এল ঐচ থাংমৈসো, কে ঐচ রোমি, এ এম ৱাই সীদগী পি ঐচ সোমানন্দ, ঐচ দি সী সী এলদগী এ বিদ্যাকুমার, সী ঐচ রোসনিকুমার অমসুং এল এস এদগী এম দি অনিশুরনি। রিজার্ভ ওইনা এ এল ৱাই পি য়ুদগী টি লবঙ্গো অমসুং এন ৱাই ভি এদগী এম দিঙ্কুনি। মণিপুর টিমগী কোচনা ৱাই বাবুমচানি। অদুগা টিম মেনেজরনা দল্লিয়ু লক্ষমিনি। মণিপুর মিনি বোইজ বোল্লিবোল টিম মধ্য প্রদেশকীদমক থা অসিগী ১৪ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

## নোর্থ ইষ্ট কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৫ গী অপূনবা শান্নরোয় ১০০ রোম্না শরুক য়াদুনা হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ ঃ

মণিপুরনা যূম্বু ওইদুনা ঙসিদগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসরস ক্লবকী টেনিস কোর্টতা মরিশুবা নোর্থ ইষ্ট কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেট মঙাগী অপূনবা শান্নরোয় ১০০ রোম্না শরুক য়াদুনা হৌদোকখ্রে।

মণিপুর টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চৎথগদৌরিবা নোর্থইষ্ট কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা নাগালেন্দ, ত্রিপুরা, মিজোরাম অমসুং আসামদগী লাকপা মপানগী শান্নরোয় ১৪ না শরুক য়ারি।

টুর্নামেন্ট অসি মেন'স সিঙ্গলস, দবলস, লেদিজ সিঙ্গলস অমসুং চহী ৪৫ অমদি ৫৫ মথক্কী ভেটরান'স দবলস ইভেন্টতা পাঙথোক্কনি। মেন'স সিঙ্গলস চেম্পিয়ন্দা লুপা লিশীং ৪০ গী শেলগী মনা পীগনি। রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ২০ অদুগা সেমী ফাইনেলিষ্টতনা লুপা লিশীং ৫ গী শেলগী মনা পীগনি। মেন'স দবলসকী চেম্পিয়ন্দা লুপা লিশীং ২০, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ১০, সেমী ফাইনেলিষ্টতা লুপা ২৫০০ গী শেলগী মনা পীগনি। লেদিজ ওপন সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন্দা লুপা লিশীং ২০, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ১০, সেমী ফাইনেলিষ্টতা ২৫০০, ভেটরান দবলসকী ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ৫ গী শেলগী মনা পীগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মেন'স ওপন সিঙ্গলসকী মেচতা নাগালেন্দগী ভিলাসের খাটে, মণিপুরগী লুচিং, মিজোরামগী লালরিন মা, আসামগী অরুনাম্সু বোর থাকুর, মণিপুরদগী নাইথাওলিন কেলভিন, নাগালেন্দগী মেটবাব হোমে, মণিপুরগী রিভাস্কর মায় পাকখ্রে।

## জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা গুফা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএশন (জেদ এফ এ) না শিন্দুনা থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চৎথরিবা ১০ শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা গুফা গাইপুইনাম মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেচ অহুম্না দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি অয়ূক্তা শান্নখিবা অহানবা মেচতা গুফা গাইপুইনামমনা সী ৱাই সী চুংফুন গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা গুফা গাইপুইনাম অমসুং সী ৱাই সী চুংফুন অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

হাফ মতুংদা গুফা গাইপুইনামগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচ অদুগী ৪০ শুবা মিনিটতা নিয়ামগাইলুং গোলমৈনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল পুংথাওলুং কামসুংনা মেচকী ৬১ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা আর ৱাই সি রগাইলোং অমসুং কে ৱাই সি কলালোং গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা কে ৱাই সি কলালোংগী গোল অদু খাংগোংপৌ রোংমৈনা মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি। আর ৱাই সি রগাইলোংগী ইক্কেলাইজর গোল অদু ৰিইশুবৌ কলাংতামৈনা মেচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা চনখি। মখা তানা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু গোল ১-১ দা দ্রো ওইখি।

ঙসি নুংথিলদা শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস কে ৱাই সি শওম্বুং অমসুং জেজদো জৈখুলুং গোল চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে। লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবা মেচ অদুদা জেসদো জৈকুলুংগী শান্নরোয় দি কতাংঙম মেচকী ১২ শুবা মিনিটতা অদুগা এস কে ৱাই সী শওম্বুংগী শান্নরোয় কামৈ গাইপুইচুং মেচকী ৫৯ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অনীশুবা মেচতা আর ৱাই সি রংখুং অমসুং এম ৱাই এ মেজোর খুল অনীনা শান্নখিবা মেচ অদু টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

মেচ অদুদা এম ৱাই এ মেজোর খুলগী জিদিওন কামৈ মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা এস এস ৱাই সী শওম্বুং সাইরেম অমসুং কে সী ৱাই সী খৌপুম চীংকাও অনীনা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা কে দি ৱাই সি খুন্দি অমসু আর কে ৱাই সি রোংকাইদাইগা শান্নগনি। নুংথিলগী অহানবা মেচ পুং ১ তাবা মতমদা এন ৱাই সি নমদুনলুং অমসুং কে এম টি ৱাই সী কোম্বোজম মনিংগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা পি ৱাই সি পন্টিলোং অমসুং আর ৱাই রমগাইলোংগা শান্নগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –২৮

1. হেলম এৱার্দ ফংবা ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয় অদু কনানো?
2. কুমজা ১৯৮৩ দা ইন্দিয়ানা প্রুদেন্সিয়েল ৱর্ল্ড কপ লৌখি মদুদা ইন্দিয়াগী ভাইস কেপ্তেন কনানা ওইখি?
3. কুমজা ১৯৩৬ তা বার্লিন ওলেম্পিক্তা হোকিগী অম্পয়ার ওইখিবা ইন্দিয়া মচা অদু কনানো?
4. মোজাম্বিগতা পোকখিবা খ্বাইদগী ফাওখিবা ফুটবোল শান্নরোয় অদু কনানো?
5. মমিং চৎলবা হোকি শান্নরোয় অসি কনানো? ☞



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## আই এস এল ঃ দেল্লি দাইনামোসনা চেন্নায়িন এফ সিবু মায়থীবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৯ ঃ

দেল্লি দাইনামোসনা মফম অসিদা চৎথরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী য়ুমশকৈশ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেন্নায়িন এফ সিবু ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা লীগকী টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

দেল্লি দাইনামোসকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রিচার্দ গাদজেনা মেচকী মিনিট ১৫ দা গোল অমা, ফ্লোরেন্ট মালৌদানা মেচকী মিনিট ২৫ অমদি ৮৫ চৎপা মতমদা গোল অনী অমসুং কিন লেৰিসনা মেচকী মিনিট ৫৪ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি। চেন্নায়িন এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা বনার্দ মেন্দিনা মেচকী মিনিট ৩৭ চৎপা মতমদা চনখি।

মেচ মায় পাকখ্রবা দেল্লি দাইনাসোমনা অপূনবা পোইন্ট ১৬ ফংখিদুনা টেবল ষ্টেন্দিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। দাইনামোসনা ফংখিবা মেচ ৯ দা মেচ ৪ মায় পাকখিবা, মেচ ৪ দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অমনা মায়থীখি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেন্নায়িন এফ সিনা মেচ ৭ শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকপা, মেচ ৪ দ্রো চৎপা অমদি মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট তরা ফংলগা মঙাশুবা মফমদা লৈখি। মুম্বাই সিটি এফ সীনা মেচ ৯ শান্নখিবদা মেচ মরিনা মায় পাকখিবা, মেচ অহুম দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা অনীশুবা মফমদা অমদি অটলেটিকো দ কোলকটানা মেচ ৭ শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকখিবা, মেচ অহুম দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অমনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ১২ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

মেচ অদুদা দেল্লি দাইনামোসনা যূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা অকনবা এটেক তৌদুনা চেন্নায়িন এফ সিগী মায়কৈদা চঙশিনখি। মেচকী মিনিট ১৫ চৎপা মতমদা রিচার্দ গাদজেনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা দেল্লিগী ফ্লোরেন্ট মলৌদানা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ২-০ দা লৈখি। চেন্নায়িনসু দেল্লিগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেক তৌদুনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্কেলাইজ তৌখি।

ফাষ্ট হাফ ফাওবদা দেল্লি দাইনামোসনা ২-১ দা লৈখি। অনীশুবা হাফদা দেল্লি দাইনামোসনা তৌখিবা এটেক্তা কিন লেৰিসনা মেচকী মিনিট ৫৪ চৎপা মতমদা গোল অমা অমদি ফ্লোরেন্ট মালৌদানা মেচকী মিনিট ৮৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা চেন্নায়িন এফ সিবু মায়থীবা পীখি।

## কারোলিনা মারিননা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ ওক্সনদা মমল খ্বাইদগী তাঙবী প্লেয়র ওইখ্রে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৯ ঃ ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন কারোলিনা মারিননা ঙসি মফম অসিদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা এদিসনগী প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ (পি বি এল) কী প্লেয়র ওক্সনদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বী প্লেয়র ওইখিবগা লোয়ননা রিও গেমসকী শিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধু অমদি লন্দনগী ব্রোঞ্জ ৱিন্নর সাইনা নেহৱালনা মমল খ্বাইদগী নেম্বা প্লেয়র ওইখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবী মারিনবু হায়দ্রবাদ হন্টরনা লুপা লাক্ষ ৬১.৫ দা লৈখি অদুগা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা নুপা সট্টলর কিদম্বী শ্রীকান্তনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা প্লেয়র ওইরে। অৱাদে ৱারিয়রনা লুপা লাক্ষ ৫১ দা লৈখি।

মহাকপু ব্লাষ্টরসনা লৈননবা অকনবা তৌখ্রবসু অৱাদে ৱারিয়রনা লৈখি। রিও ওলেম্পিকস্তা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা শিলভর মেদল লৌখিবা সিন্ধুবু চেন্নাইনা লুপা লাক্ষ ৩৯ দা লৈখিদুনা দাও য়াদবা প্লেয়র ওইখি।

সিন্ধুনা হায়খি, দ্রো অদুদা ঐগী মীং পন্নখ্রবসু ঐবু মমল য়ামদনা লৈখি। ঐনা চেন্নাইদা অমুক হন্না হল্লকপদা নুংঙাইবা পোকই হায়না মহাক্না হায়খি।

সনিয়াবু অৱাদে ৱারিয়রসনা লুপা লাক্ষ ৩৩ দা লৈখি। মমাঙগী অহানবা এদিসন্দা সনিয়ানা খ্বাইদগী মমল তাঙবা প্লেয়র ওইখিবনি।



HL-B/3433/30 to 29 Nov.



HL-B/3430/29/10-28/11



HL-B/3378/10/10-0/11

